**RNU, IMPHAL**

**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**

**(DATE 25-05-2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ২৫-০৫-২০২৪,থাংজা)**

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**---অকাশবানি ইম্ফাল ক্ষেত্রিময়ুম চিত্রাভানুনা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা এরিয়া দোমিনেসন অমদি থীবা হুন্সবগী থবক লেপ্তুনা চথরি।

২) মেট দিপার্টমেন্তনা হায়রি- রাজ্য অসিগী মফম খরদা লাক্লিবা নুমিৎ হুমনি অসিদা অখাক অরাও য়াওবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ মায়োকবা য়াই।

**অমসুং**

৩) লোক সভা মীখলগী ৬ শুবা তাঙ্কক্কী ভোট হৌজিক ঙাইহাক্কী মমাংদগী থাদনবা হৌখ্রে। নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবা ভোট থাদনগনি ।

**--ট্যুন--**

**সেক্যুরিতি(এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা এরিয়া দোমিনেসন অমদি থাবা হুন্বগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি। বিষ্ণুপুর জিলাগী ৱাঙু থীবা হুন্বগী থবক চত্থবদা মেগজিন য়াওবা ফাইব পোইন্ত ফাইব সিক্স এম.এম.গী ইনসাস অমা, মেগজিন য়াওবা ফাইব পোইন্ত ফাইব সিক্স এম.এম ইন্সাস রাইফল অমা নোংমৈ মরু ৫০ ফাগৎপা ঙমখি।

মনিপুর পুলিস কন্ত্রোল রুমা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়- মনিপুর পুলিসনা দ্রগ লালোনবা মীওই অহুম ইম্ফাল ৱেষ্ট সেকমাই এরিয়াদগী ফাগৎখ্রে। মখোয়দগী মোবাইল হেন্দ সেট অহুম, শেল য়াওবা ৱালেট অনি, তাতা ত্রক অমা, দব্লিউ ৱাই তেবলেট য়াওবা অমুবা খাও ৫০ ফাগৎপা ঙমখি।

**মেট (এল)ঃ** ইন্দিয়া মেত্রোলোজিকেল দিপার্টমেন্তনা হায়রি- হয়েংদগী থা অসিগী ২৮ ফাওবা রাজ্য অসিগী মফম খরদা অখাক অরাও য়াওবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ মায়োকবা য়াই। হয়েং অমদি থা অসিগী ২৮বুনা য়েল্লো এলর্ট লাউথোকপগা লোয়ননা থা অসিগী ২৭ পুনা ওরেঞ্জ এলর্ট লাউথোকখ্রে। হয়েং রাজ্য অসিগী মফম খরদা পুংদা কিলোমিতর ৪০ দগীনা ৫০ ফাওবা কনবা নোংল নুংশিৎ মায়োকবা য়াই হায়রি ।থা অসিগী ২৭ তনা পুংদা কিলোমিতর ৫০ দগীনা ৬০ ফাওবা কনবা অখাক অরাও য়াওবা নোংলৈ নুংশিৎ মফম কয়াদাময়োকবা য়াই অমসুং থা অসিগী ২৮ দনা পুংদা কিলোমিতর ৩০ দগীনা ৪০ ফাওবগী চাংদা নোংলৈ নুংশিৎ ময়োকবা য়াই হায়রি।

ই.এম.দিগী মতুং ইন্না নোংচুপ বঙ্গালগী সমুদ্রা খোংবানশিং অমদি য়ুমথংনরিবা বঙ্গলাদেশতা হয়েং অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ রেমালনা চৈথেং পীরবা য়াই ।

অমরোমদা, লৈবাক অসিগী অতৈ মফমশিংদা লাক্লিবা নুমিৎ ৪ নি অসিদা শাবগী চাং হেনগৎলকপা য়াই হায়রি। বিভাগ অসিগী সেনিয়র সাইন্তিস আর.কে জেনামণিনা অকাশবানিদা হায়- পঞ্জাব , হারিয়ানা, রাজস্থান , গুজরাট, নোংচুপ থংবা মধ্য প্রদেশকী মফম কয়াদা শাবাগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ৪৪ দগী ৪৮ ফাওবা য়ৌরবা য়াই। ফীভম অসি য়েংলগা বিভাগ অসিনা মফমশিং অসিদা রেদ অমসুং ওরেঞ্জ এলর্ট লাউথোকখ্রে।

**গভর্নর(এল)** শ্রী শ্রী গোবিন্দজি ধুপ-আর্টি মরুপকী সেক্রেটরি লাইপুবম ইবোচৌবা শর্ম্মনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমনা ঙরাং রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেগা উন্নদুনা নোংচুপ বেঙ্গলগী নবদিপতা লৈরিবা অনু মহাপ্রভু কমপ্লেক্স শেমগৎ শাগৎপগী থবক চথরিবা অদুগী মতাংদা পাউদমখ্রে। মীহুৎ কাংবু অদুনা হায়রিবা মফম অসিদা মনিপুরদগী চহি খুদিংগী মীওই চা কয়ানা তির্থ চৎলি। মরম অদুনা তির্থ চৎলিবা মীওইশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং কোকনবা মফম অসি হেন্না নিংথিনা শেমগৎ শাগৎপগী তঙাই ফদবা লৈরে হায়বা ৱাফম থমখি।

**উতম(এল)ঃ** রাজ্যগী সোসিয়েল ৱেলফ্যার দাইরেক্তর ঙাঙোম উতমনা হায়রি - অহল ওইরবশিং তাথি তাওইনা তৌবা হায়বসি ঐখোয় খুন্নাই অসিনা অয়াবা পীদে, আইননসু য়াদে। কনাগুম্বা মীওইশিংনা অহল লমনশিং তাথি তাওইনা তৌবা থেংনরবদি মরি লৈনবা এস.দি.ওশিংদা ৱাকৎপিয়ু ।

ৱাফম অসি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী হাওতাবি লুৱাংশঙ্বম অৱাং লৈকায়দা লৈবা চহি ৭৭ রোম শুরবি অহল অমাবু মমৌ নুপী অনিনা তাথি তাওইনা তৌখি হায়বা থৌদোক্কী মতাংদা হৈঙাং পুসিল ষ্টেসননা লৌখৎখিবা কেস অমগা মরী লৈননা দাইরেক্তর ঙাঙোম উতমনা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়- থৌদোক অদুদা চেন্নবশিং কুপা থিজিন্দুনা আইনগী পীফম থোকপা চৈরাক

ফংহন্নবা হোৎনগনি। মহাকা হায়-

**--সাউন্দ উতম--**

**য়ুমশারোল(এল)ঃ** য়ুমশারোলগী মতাংদা খন্না নৈনবগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোক্লগনি। থৌরম অদু সিভিল ইঞ্জিনিয়ারিং দিভিজন বোর্দকী মীৎয়েং মখাদা ' দ ইন্সর্টিট্যুট ওফ ইঞ্জিনিয়রস(ইন্দিয়া)' মনিপুর ষ্টেট সেন্তরনা লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্দকা খুৎশমরগা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী হয়িংখোংবাল উফোং য়ুমফমদা লৈবা লাইনিংথৌ সনামহি শঙলেন্দা পাঙথোক্কনি।

সাইন্তিফিক এন্দ সোসিয়েল আউট লুক ওন য়ুমশারোল হায়বা হিরমদা পাঙথোক্কদবা খন্না নৈনবা অদুদা য়ুম শাদ্রিঙৈদা তৌগদবা থৌরাংশিংগী মতাং, মীতৈ য়ুমশা কাংলোন, য়ুমশা কৈশানচিংবগী মতাংদা অখঙ অহৈশিংনা ৱা ঙাংগনি।

**মৈ (এল)ঃ** ৩৩ কে.ভি খুমন- কৈশাম্পাৎ ঐচ.টি লাইন ঙসি অয়ুক পুং ৮ দগী নুংথিল পুং ২ ফাওবা মৈ মুৎকনি। ইম্ফাল স্মার্ট সিটি মীসনগী মখাদা তুরেলগী নোংচুপ থংবা অমদি কংলা নোংপোক তোরবান শেমগৎ শাগৎপগী শরুক অমা ওইনা ইলেক্ট্রিক পোস্ত য়ুংগদবা মরমনা কৈশাম্পাৎ সব-ষ্টেসন অমসুং কংলা সব-ষ্টেসননা কোনবা মফমশিং মৈ ফংলোই হায়না এম.এস.পি.দি.সি.এলগী চেরো অমনা হায়রি।

**স্পোর্টস(এল)ঃ** পান্থোইবি এফ.সি লংথাবাল, জিংশমৈ ওইনাম থিংঙেলদা চথরিবা ৫ শুবা ওইনাম চার্লি মেমোরিয়েল ওপন সোকর টুরনামেন্তকী ফাইনেল চংবা অনিশুবা টিম ওইরে। ঙরাং নুমিদাং শান্নখিবা অনিশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা পান্থোইবি এফ.সি লংথাবালনা বেবি শিংজমৈ এফ.সি.বু পাঞ্জল ৩-২

দা থোইখি। ফাইনেল মেটচ জ্ন অনিদা কংলৈচা এফ.সি শিংজমৈগা পান্থোইবি এফ.সি লংথাবালগা শান্নগনি।

মেট(এল)ঃ

**---তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি---**

**লোক সভা ঃ** লোক সভা মীখলগী ৬ শুবা তাঙ্কক্কী ভোট হৌজিক ঙাইহাক্কী মমাংদগী থাদনবা হৌখ্রে । ভোট নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবা ভোট থাদনগনি । তাঙ্কক অসিদা উত্তর প্রদেশকী সিট ১৪, হারিয়ানাগী সিট ১০,বিহার সিট অমসুং নোংচুপ বেঙ্গলগী সিট ৮-৮ , দিল্লিগী সিট ৭, ,ওরিষাগী সিট ৬, ঝরখন্দগী সিট ৪ অমসুং জম্মু কস্মীরগী সিট ১ য়াওনা পুন্না সিট লোক সভা সিট ৫৮ গীদমক ভোট থাদনরি। ওরিষা বিধান সভা কেন্দ্র ৪২ গী মীখল ভোটসু ঙসি থাদনরি।

মীরেপ ওইরিবশিংগী মনুংদা বি.জে.পি লুচিংবা ধর্ম্মেন্দ্র প্রধান, মেনেকা গান্ধি, মনোহরলাল খৎতর, সবিট পত্রা, মনোস তিৱারি, কংগ্রেস লুচিংবা দিপেন্দর সিংহ হুদা, কুমারি সেলজা, রাজভাবর, কনহৈয়া কুমার, মেহবুবা, মুভতিনচিংবা য়াওরি। মীখল নিয়ম চুমা অমসুং শান্তি লৈনা পাঙথোকবগীদমক শেম শাবা লোইরে। তাঙ্কক অসিদা পুন্না মীরেপ ৮৮৯ না লম্বা থেংনরি।

মরক অসিদা ৭ শুবা অমসুং অরোইবা তাঙ্কক্কী লোক সভা মীখলগী ভোট খোম্বগী থবক খম থেংনা কল্লে। রাজনিতি দলশিংগী লুচিংবশিংনা ঙমজবি থাদুনা ভোটত্তরশিংগী পুকিং চীংশিন্নবা হোৎনরি। মথং থাগী অমদা ভোট থাদনগদৌরিবা অরোইবা তাঙ্কক অসিদা লোক সভা সিট ৫৭কীদমক রাজ্য ৭ অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি ১ দা ভোট থাদনগনি। তাঙ্কক অসিদা পুন্না মীরেপ ৯০৪ না লম্বা থেংনগনি।

**মেট ঃ**

**--ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিংগীদমক--**
**হৌজিক ক্ষেত্রিময়ুম প্রেমচান্দ লৈরে--**

**-প্রেমচান্দ-**

**----অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক--**

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা এরিয়া দোমিনেসন অমদি থীবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চথরি।

২) মেট দিপার্টমেন্তনা হায়রি- রাজ্য অসিগী মফম খরদা লাক্লিবা নুমিৎ হুমনি অসিদা অখাক অরাও য়াওবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ মায়োকবা য়াই।

**অমসুং**

৩) লোক সভা মীখলগী ৬ শুবা তাঙ্কক্কী ভোট হৌজিক ঙাইহাক্কী মমাংদগী থাদনবা হৌখ্রে। নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবা ভোট থাদনগনি ।

**--পাউ লোইজরে--**

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

**থাগৎচরি-চিত্রাভানু**

মনিপুরদা মমাং মে ৩ দগী থোকখিবা ইরাংগা মরী লৈননা সুপ্রিম কোর্টনা থমখিবা ৱাফম, মমৌ নুপীনা মনেম্বোক ফুখিবগী থৌদোক অমসুং ত্রাইবল এফ্যারসকী মন্ত্রি শিনবিয়ু হায়বা পাউশিং অসি ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরু ওইবা পাউ ওইনা ফোংবা থেংনরে।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি ইদিসনদা- ২০২৩ গী মে ৩ দগী মনিপুর লৈরকখিবা ইরাং হায়বা সব হেদ অসিগী মখাদা সেন্তিমেন্ততা চৎকদবা নত্তে হায়না সুপ্রিম কোর্টনা থমখিবা ৱাফম হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।        ঙমখৈ সহর মোরেদা কুকি নার্কো তেরোরিস্তশিংনা হুরান চিন্থি তৌরি হায়বা ৱাফম অসিদা যুমফম ওইবা পাউদা -হুবা য়াবমখৈ হুখ্রে, ফকপা য়াবা মখৈ ফকখ্রে হায়বা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

অমরোমদা, ক্বাক্তা বোম পোখায়খিবদা চেন্নবা বেল পীবা য়াখিদ্রে হায়বা হেদলাইন অসিসু মনিপুরগী ইরাংগা মরী লৈনবা পাউশিংগী মরক্তা বোক্স আইতেম ওইনা হায়লাইট তৌদুনা ফোংলি। সুপ্রিম কোর্টকী পাউ অসি- দ মোর্নিং বেল,        ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, পিপলস ক্রোনিকল অমসুং মনিপুর নিউজকী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

চীংমী তম্মীগী লুপ ৯ পুন্সিন্দুনা মীফম পাঙথোকখ্রে। মিনিস্তর লেটপাউ হাওকিপ লৈতবদগী মহাকা পায়বা লোইশঙশিং পুমসি শিরে। মিনিস্তর লেটপাউ হাওকিপ লৌথোক্লগা মহুৎ অমা হাপ্পীয়ু হায়না ইন্দিজিনিয়স ফোরম মনিপুরনা তকশিনখ্রে হায়বা পাউনা হুইয়েন লানপাউগী অনিশুবা হেদলাইন ওইরি।        পাউ অসিগা মান্নবা পাউ নাহরোলগী থৌদাং অমসুং ইম্ফাল ফ্রি পেস্তসু অনিশুবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

ঈচেল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইন অসি - মোরেদা লৈবা ইষ্ট্রন সাইন স্কুলগী জিঙ্খ্রী ফকখ্রে, পোৎলম কয়া হুরানখ্রে হায়না এম.সি.এমনা থল্লকখিবা ৱাফম হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।         মৈতৈ কুকি য়াওনা ফুরুপ কয়ানা শরুক য়াবা, পুন্না হিংমিন্নসি হায়বা থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়বসিনা পাউচে অসিগী অনিশুবা হেদলাইননি।

মফি থোকপা মখৈ মনেস্বোক ফুখিবা মমৌ অনি, থৌদোক্তুগী ভিদিও নমখিবা মচানুপা পুলিসনা ফারে হায়বা হেদলাইন অসি সনা লৈবাক পাউচেগী অহানবা হেদলাইননি। পাউ অসিগা মান্নবা পাউশিং         তোঙান তোঙানবা পাউচেশিংদা ফোংবা থেংনরে।

নোনেদা শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ৪০ য়ৌখ্রে, মৈ লাকপগী চাং নাইদবনা অশাবা খাংবদা হেন্না অৱাবা ময়োকহল্লে হায়বা হেদলাইন অসি সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনগী অহানবা হেদলাহননি। পাউ অসি তমেংলোং টাইমসতাসু ফোংবা থেংনরে।
ষ্টেটকী অথিংবা লৈরবসু মনিপুর রিভরগী মথক্তা আর.সি.সিগী থোং অমা শেমগৎলক্লি, সি.এম. বিরেননদি ষ্টেট গভর্নমেন্তনা লৌখৎফম থোকপশিং লৌখৎলে হায়রক্লি হায়বা হেদলাইন অসি পোকফম পাউচেগী অহানবা হেদলাইননি।

৬ শুবা তাঙ্কক্কী মীখলগী শেম শাবা লেইখ্রে হায়বা হেদলাইন অসিনা মনিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইননি।

হিলস হোর্নবিলদা - সেনপাতি দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাতর মৈ লাক্তবগী অৱাবা ময়োকবা কুইশিল্লক্লে  হায়না হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

গানফিউ মেলদা- সাইক্লোন রেমাল লাকপগা লোয়ননা মে ২৭ তা অৱাংনোংপোক রাজ্যশিংদা অকনবা নোং চুরবা য়াই হায়রি হায়বা হেদলাইন অসি ফোংবা থেংনরে।

**--চিত্রাভানু--**